

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, AUGUST 27, 2018 **PAGE 7**




*নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা বেলজিয়ান গ্রান্দ প্রি কার লমজেলগী রিন্নর ওইদুনা হরাওবা ফোঙদোক্লিবা জর্মনিগী ফেরারি দ্রাইভর সেভাষ্টিয়ান ভিটেল*

*ইন্দোনেসিয়াদা চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী এঠলিট মোহমদ অনাস*

## ইন্দিয়াগী হিমা দাস, দুতি চান্দ অমসুং মোহমদ অনাসনা এঠলেটিক্সতা সিলভর মেডল লৌখ্রে, ইক্বেষ্ট্রিয়ানদসু সিলভর অনী ফংখ্রে, মণিপুরগী হৌখিবী বোক্সর সর্জুবালা দেবী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগী হোক্কি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

18th ASIAN GAMES
Jakarta
Palembang
2018



*নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সিলভর ফংখ্রবী হিমা দাস*

*পালেমবাং। জাকর্টা, ওগষ্ট ২৬ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী হিমা দাস, দুতি চান্দ অমসুং মোহমদ অনাসনা এঠলেটিক্সতা সিলভর মেডল অহুম লৌখ্রে, ইক্বেষ্ট্রিয়ানদসু সিলভর মেডল ২ ফংখ্রে, মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর সর্জুবালা দেবী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপীগী হোক্কিসু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নুপীগী মিটর ৪০০গী ঙসি পাঙথোকখিবা লমজেলদা ইন্দিয়াগী হিমা দাসনা ৫০.৭৯ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি। হিমা দাসনা ঙরাং পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৫১.০০ সেকেন্দদা চেন্দুনা ফাইনেল চঙলকপনি।

নুপাগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট মোহমদ অনাসনা ৪৫.৬৯ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা কাটারগী এঠলিট হাসন অব্দালেলানা ৪৪.৮৯ দা চেন্দুনা লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট দুতি চান্দনা ১১.৩২ দা চেন্দুনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা বাহরেনগী এঠলিট ইদিদিওং ওদিওংনা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডলনা চাইনাগী এঠলিট য়োংলি ৱৈনা ফংবা ঙমখি।

১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ইক্বেষ্ট্রিয়ানগী ইন্দিভিজুয়েল জম্পিং ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ফাওদ মির্জনা পোইন্ট ২৬.৪০ ফংলগা সিলভর মেডল লৌখি।

কেটেগোরি অসিদা জপানগী শান্নরোই ওইৱা য়োসিয়াকিনা পোইন্ট ২২.৭০ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চাইনাগী শান্নরোই হুৱা টিয়ান এলেক্সনা পোইন্ট ২৭.১০ দা লৌবা ঙমখি।

ইক্বেষ্ট্রিয়ান দিসিপ্লিন অসিগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম রাকেস কুমার, আসিস মালিক্না পোইন্ট ১২১.৩০ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা জপানগী টিম্মা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডলনা থাইলেন্দগী টিম্মা ফংখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫১ গী বাওটতা মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর সর্জুবালা দেবীনা টাজিকিষ্টানগী বোক্সর মাদিনা ঘাফোরোভাবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মমাঙগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট সর্জুবালা দেবীনা ঙসি থিন্নখিবা বাওট অদুদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা ইন্দিয়ান বোক্সিংগী হাই পার্ফোমেন্স দিরেক্তর অমসুং নুপাগী চীফ কোচ সান্টিয়াগো নিএভানা অপেনবা ফোঙদোকখি।

বোক্সিং মশান্না অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৯ গী বাওট অমদা ইন্দিয়াগী মনোজ কুমার কিরগিজষ্টানগী বোক্সর অব্দুরাখমান অব্দুরাখামানোভকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী মেডল ফংবা ঙমদনা লোইশিনখি।

হোক্কিঃ–

হোক্কি মশান্না অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ' গী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম্মা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা পুল অসিগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কোরিয়াগী শান্নরোইশিং অদুবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অহানবা মিনটতা রুপিন্দর পাল সিংহনা চনবা ঙমখি।

মরিশুবা মিনটতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই চিংলেনস্না সিংহনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা টিমমেট ললিট উপাধ্যেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুগী ৩৩শুবা অমদি ৩৫শুবা মিনটতা কোরিয়াগী শান্নরোই মাঞ্জি জুংনা পাঞ্জল অনী হন্দোকপা ঙমদুনা ২–৩ দা শোত্থদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মন্দিপ সিংহনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং ৫৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অকাসদিপ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা ৫–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা কোরিয়াগী শান্নরোই জোংহিয়ুন জাংনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ইন্দিয়ানা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা পোইন্ট ১২ ফংলগা পুলগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেদমিন্টনঃ–

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী বেদমিন্টন দিসিপ্লিনদা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল শোয়দনা ফংলগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু ২১–১১, ১৬–২১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেদমিন্টন দিসিপ্লিন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ১০ দা লৈরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অতোপ্পা থাইলেন্দগী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৫ দা লৈরিবা রাটচানোক ইন্টানোনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরল্লগা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

আর্চরিঃ–

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী কম্পাউন্দ আর্চরশিংনা চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী আর্চরি দিসিপ্লিনদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা য়ামদ্রবদা সিলভর মেডল অনীদি ফংলগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কম্পাউন্দ টিমগী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম্মা চাইনাগী টিম্বু পোইন্ট ২৩০–২২৭ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী কম্পাউন্দ টিম্মা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপা কম্পাউন্দ আর্চরশিং অদুদি অভিসেক ভর্ম, অমান সাইনি অমসুং রজট চৌহাননি।

ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর কম্পাউন্দ টিম্মা ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা সাউথ কোরিয়াগী টিমগা টাইটলগীদমক শান্নরগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম্মা চাইনিজ তাইপৈগী টিম্বু পোইন্ট ২২৫–২২২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা সিলভর মেডল অমদি ফংলগনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী কম্পাউন্দ টিম অসি কুমজা ২০১৪ দা সাউথ কোরিয়ানা য়ুবু ওইরগা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লৈহৌবনি।

হেন্দবোলঃ–

ঙসি শান্নখিবা হেন্দবোলগী গ্রুপ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা টিম চাইনিজ তাইপৈগী মখূত্তা পোইন্ট ৩১–৩৫ দা মায়থিহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপা টিম অসিনা গ্রুপকী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংনা মালেসিয়া অমসুং পাকিস্টানবু মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী টিম ১২–১৫ দা শোত্থদুনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফতা পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎপা ঙমখ্রবসু য়াম্না নক্নবা স্কোর ৩১–৩৫ দা মায়থিহৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দাভিন্দর সিংহনা স্কোর ১০ তৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা হেন্দবোল টিম অসিনা মখোয়গী অরোইবা গ্রুপ মেটচ অদু য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।



*নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা সিলভর ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী দুতি চান্দ*



*নুপীগী কেজি ৫১ গী বোক্সিংদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী সর্জুবালানা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা হরাওবা উৎপা*

| Asian Games 2018: Medals Tally | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Rank | Nation | G | S | B | T |
| 1 | China | 78 | 59 | 37 | 174 |
| 2 | Japan | 40 | 34 | 48 | 122 |
| 3 | Republic of Korea | 27 | 30 | 37 | 94 |
| 4 | Iran | 14 | 14 | 12 | 40 |
| 5 | Indonesia | 12 | 13 | 25 | 50 |
| 6 | DPR Korea | 11 | 5 | 7 | 23 |
| 7 | Thailand | 9 | 9 | 31 | 49 |
| 8 | Chinese Taipei | 8 | 11 | 14 | 33 |
| 9 | India | 7 | 10 | 19 | 36 |
| 10 | Uzbekistan | 6 | 11 | 10 | 27 |
| 11 | Kazakhstan | 5 | 8 | 28 | 41 |
| 12 | Bahrain | 4 | 3 | 2 | 9 |
| 13 | Hong Kong | 3 | 7 | 15 | 25 |
| 14 | UAE | 3 | 6 | 3 | 12 |
| 15 | Mongolia | 3 | 2 | 5 | 10 |
| 16 | Philippines | 3 | 0 | 10 | 13 |
| 17 | Kyrgyzstan | 2 | 5 | 9 | 16 |
| 18 | Malaysia | 2 | 5 | 5 | 12 |
| 19 | Singapore | 2 | 2 | 9 | 13 |
| 20 | Jordan | 2 | 1 | 7 | 10 |
| 21 | Cambodia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 22 | Kuwait | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 23 | Vietnam | 1 | 7 | 12 | 20 |
| 24 | Macau | 1 | 2 | 1 | 4 |

## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনানা রিয়েল ভালাদোলিদপু ১–০ দা থোইখ্রে ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা ৱাটফোর্দনা ক্রাইষ্টৈল পেলেস মায়থিবা পীখ্রে



*লা লীগাগী মেটচ অমদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মাদ্রিদ। লন্দন, ওগষ্ট ২৬ঃ*

য়ুরোপকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংদা বার্সেলোনানা রিয়েল ভালাদোলিদপু স্পেনগী লা লীগাগী মেটচ অমদা ১–০ দা থোইখ্রে, অদুগা ইংলেন্দগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা ৱাটফোর্দনা ক্রাইষ্টৈল পেলেসপু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

স্পেনগী লা লীগাগী ঙসি বার্সেলোনা অমসুং রিয়েল ভালাদোলিদনা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ওসমানে দেম্বেলেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল ভালাদোলিদপু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৩৩ রোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু বার্সেলোনানা রিয়েল ভালাদোলিদবু ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা রায়ো ভাল্লেকানোবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং রায়ো ভাল্লেকানোনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরোই লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমানননা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এটলেটিকো মাদ্রিদনা রায়ো ভাল্লেকানোবু ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাটফোর্দনা ক্রাইষ্টৈল পেলেসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা ৱাটফোর্দকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রোবার্টো পেরেরানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা ৱাটফোর্দকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জোস হোলেবাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৱাটফোর্দনা ক্রাইষ্টৈল পেলেসপু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা ক্রাইষ্টৈল পেলেসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ৱিফ্রাইদ জাহানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ৱাটফোর্দনা ক্রাইষ্টৈল পেলেসপু ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এসএসসি নাপোলিনা মিলানবু ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

এসএসসি নাপোলিগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৫৩ অমসুং ৬৭শুবা মিনটতা পিওর জৈলিস্কিনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট দ্রাইস মার্টেন্সনা ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। মিলানগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা গিয়াকোমোন বোনাভেন্চুরানা অমা অমসুং শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা দেভিদ কালাব্রিয়ানা অমগা চনবা ঙমখিবনি।

## বেলারসকী সবালেনকানা কনেকটিকট ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে রুশিয়াগী মেদভেদেভনা ৱিন্সটন সালেম ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে



*কনেকটিকট ওপনগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী অরিনা সবালেনকা*

*ন্যু হেভন। ৱিন্সটন, ওগষ্ট ২৬ঃ*

য়ুএসএগী সিদটি ন্যু হেভন অমসুং ৱিন্সটনদা চত্থরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংদা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা কনেকটিকট ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, ৱিন্সটন সালেম ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদুনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ফংখ্রে।

কনেকটিকট টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা স্পেনগী নভারোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোম্না ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থররিবী স্পেনগী কালা স্বারেজ নভারোনা অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীরকখ্রবসু বেলারসকী সবালেনকানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

কনেকটিকট ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী সেষ্টিনি লাভাকোভা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা চাইনিজ তাইপৈগী সৈ অমসুং জর্মনিগী এল সিয়েগমুন্দবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৭–৯), ১০–৪ দ থোইরল্লগা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

য়ুএসএগী অতোপ্পা সিটি ৱিন্সটনদা চত্থরিবা ৱিন্সটন সালেম ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী ষ্টিভ জোনসনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা য়ুএসএগী ষ্টিভ জোনসনগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীমক হৌরকপদা অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অদুদসু জোনসনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা ৱিন্সটন সালেম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

